লাংমৈদোং গর্ল হায় স্কুল রিলিফ কেম্পকী মীওইশিংনা মীখলগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস): লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী হৌজিক্লা লাংমৈদোং গর্ল হায় স্কুলদা হোংজিল্লবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরল্লিবা মীওইকয়ানা ঙসি নুংথিল মখোয়না মশা মশাগী যূমদা হঞ্জিনবা ঙমদ্রিঙৈদা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা য়ানীংদে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা শুগুনু তুরেল ৱাংমা নাপৎতগী মীওই অমনা হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকিশিংনা লান্দারক্তুনা যূম কৈ অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী ঙসি ফাওবা রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌরক্লি। হৌজিক ফাওবদা মখোয় মশা মশাগী ময়ূমদা চঙবা ঙমদনা লৈরিবনি। অথুবা মতমদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হোৎনবীদুনা মশা মশাগী যূমদা হঞ্জিনবা য়াহল্লবা মতুংদা নে তানা লৈবা ফংহনবীয়ু। মশা মশাগী যূমদা লৈহনবীরবা মতুংদা ভোট থাদৌ হায়রবসু থাদজগে। মদু নৎত্রিবা মখৈদি ভোট থাদবা ঙম্লোই হায়খি। কেম্প অসিদা লৈরকপা নুপী অমনসু চানবা খরা খরা পীবগী মথক্তা লুপা লিশীং ১/১ অহুল্লক ফংখ্রে। অপৎপা চরূদগী মোম্পাৎ অমমমখক পীরগা ৱানা খাঙদুনা লৈরক্লিবনি। ঐখোয়গী যূমশিং শানবা হোৎনবীদ্রি হায়রদুনা তাঞ্জাসিদা ভোট থাদগদবনি হায়বসি য়ানীংদে হায়খি।

নহা ১ শকখঙদবশিংনা কাপ্পুনা ...

*লমায় ১গী মখা...*এক্সপার্টকা খূৎশম্নদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবা জেনিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়বদা মহাক হৌজিক থাংমৈবন্দ থিঙেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লৈমিন্নরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা ফংবা পাউ অমনা হায়বদদি মহাক চহী অনীরোমগী মমাঙদা নুপী অঙাংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নদুনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা পোক্লো কেসকা মরী লৈননা পুলিসনা ফাদুনা জেলদা থল্লুরবা মীওইনি হায়রি।

অদুবু মহাক করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙড্রি।

‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.629260
US Dollar	83.375426
British Pound	105.660082
Australian Dollar	55.141978
Chinese Yuan Renminbi	11.527353
Japanese Yen	0.549901
Malaysian Ringgit	17.588831
Singapore Dollar	61.935826
South Korean Won	0.061984
Saudi Arabian Riyal	22.233447
Thai Baht	2.272636

GAS NEWS

M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 /8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C -9612493837
KHUMBONG INDANE
Booking upto 28-02-24
Valid from 26-02-24
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
Stock. 306
Time 7.am to 9.am
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
BOOKING UPTO DATE
TIMING 9:00 AM TO 12:NOON
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-20-03-2024,
VALID FROM 13-03-2024,
STOCK: 918,
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
M/S R&HINDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 14/02/2024
Valid from 31/01/24
Miss call booking no.8454955555 registration no. Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
Stock 306 nos.
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 18/03/2024
BOOKING UPTO: 25/03/2024
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

তংদু লৈতাবা পুরক্লিবা ফাওবা মীখল য়াওরোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চথরক্লিবা লান অসি লোইশিন্দুনা মহৌশাগুম্না ঈং-তপ্পা তংদু লৈতাবা পূন্সি অদুদা অমুক হঞ্জিনহন্দ্রিবা ফাওবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা শরুক য়ারোই অমসুং মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরকপা অসি য়ানীংদে হায়না মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা য়াইরিপোক তুলিহল অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মমাঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদু অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা পায়বী লূপ য়াইরিপোক - ১ অমসুং ২গা লোয়ননা ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসননা খূৎশম্নদুনা চঙশিনখিবনি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লূপ (য়াইরিপোক) কী প্রসিদেন্ট ইবেতোম্বী লৈমনা হায়, চহী ফাজিল্লক্লবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান অসিদা মীওই লিশীং ৪০/৫০গী যূম কৈ মৈ থাদোকপীদুনা মাঙহন তাকহনবীখ্রে অদুগা মীওইশিং অসিনা ঙসি ফাওবা ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরি। নুপী অঙাং কয়া অহিং নুংথিল নাইদনা লম্বী লমজাওদা অহিং য়ারেক্তুনা মাগী মাগী খুলদগী লৈজবশিং খাইগৎনদুনা মতেং পাংনরি। খুল ঙাক্তুনা লৈরিবা অসুক ৱারবা তাঞ্জাসিদা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা ঙাকপা ঙমদবদগী ইচাশিং চোংথোরক্তুনা খুল ঙাক্লকপদসু অমুক ফাজিনবীরবদি ঐখোয় করম্না লৈগনি হংখি।

মরম অসিনা মীখল অসিদা লাঞ্জেন্নরিবশিংনা ভোট থাদনীংদে। অদুবু লান অসিনা হকথেংনবা চৈথেং ফংদ্রিবা মীওইশিংনা হৌজিক লান অসি লোইরবগুম্না লোক সভা ইলেক্সনদা মায় ওনশিল্লকপসু য়ানীংদে। হৌজিক ফাওবা লান অসি লোইশিনবা ঙমদ্রিবনি। লৈঙাক্নসু মহৌশাগুম্না ঈং-তপ্পা পুরল্লবদৌনা তৌরিবা অসিসু য়ানীংদে হায়খি।

মূক্নরিবা ফূরুপ ২ ৱারী শানহন্দুনা ঈং-তপ্পা...

লমায় ১গী মখা... লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা কে টিমোথি জিমিকনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌজিক মথৌ তারিবসি ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপনি। মসি লৈহন্নবগীদমক খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা অমসুং থম্মোয় শেংনা লোয়নবা তঙাইফদে। মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মহাক্না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা মূক্নরিবা ফূরুপ অনী ৱারী শানহন্দুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবা অমসুং ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগনি হায়খি।

মণিপুরগী মীয়াম খাইবুং খাইবুং তান্নবগী মওংদা লৈরক্লিবা কুইরে হায়রদুনা মহাক মশামক মণিপুর মীয়াম পূম্নমক্কী মীহুৎ ওইগে হায়না চোংথোরকপনি। করিগুম্বা মহাক্না মীখলদা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌগনি অমসুং লোক সভাদা মীয়ামগী খোল্লাও ওইগনি হায়না ৱাশক্লদুনা মহাকপু মীহুৎ ওইনা থাবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মণিপুরদা মথৌ তাবা অহোংবশিং পুরকপা ঙমগনি অমসুং মীয়ামগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা অমসুং পূন্না চাওখৎমিন্নবা য়াগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জননা হায়, কুমজা ২০১৭তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবা মতমদগী হৌনা বি জে পি, এন পি পি অমসুং এন পি এফকী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি কয়ামুক মপাঙ্গল কল্লি হায়বদু মীয়াম্না উরে। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি এফনা পুথোল্লিবা মীরেপতা বি জে পি অমসুং এন পি পিনা শৌগৎতুনা চুংশিন্নবা অসি হেন্না চেৎশিলহল্লে। আউটরগী মনুং চল্লিবা জিরিবাম য়াওনা তম্পাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮গী মনুংদা ৬তি রুল্লিং পার্টিশিংগী মীহুৎশিং লৈরি। লেমহৌরিবা সেগমেন্ট অনীগীসু বি জে পি অমদি চৎমিন্নরিবা পার্টিগী মীওই কয়া লৈরি হায়বগা লোয়ননা এন পি এফকী টিকেটতা এন দি এগী মীরেপ ওইনা থোক্লিবা কে টিমোথি জিমিকতা ভোট পীননবা শেম শাদুনা লৈরি। মরম অসিনা এন দি এগী মীরেপ্পা শুংশোয় শোয়দনা ভোট খ্বাইদগী হেন্না ফংদুনা মীখলদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এন পি এফ, মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়, কুমজা ২০০১দা মণিপুরদসু এন পি এফকী য়ুনিট হাংদোক্তুনা মণিপুর খক্তা নত্তনা অৱাং নোংপোক পূম্বদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী পান্দমদা পার্টি অসিনা হোৎনদুনা লাক্লি। হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিদসু এন পি এফকী খ্বাইদগী মরু ওইবা এজেন্দাদি ঈং-তপ্পা অমসুং খুমাঙ চাওশিনবনি। মণিপুরদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ৱাথোক অসিগী মতাংদসু নাকল অনীমক্তা ৱারী শানদুনা তংদু লৈতাবা পুরক্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মীয়াম্না নুংশিবীদুনা এন পি এফনা পুথোক্লিবা অমসুং এন দি এনা শৌগৎপা মীরেপ কে টিমোথি জিমিকপু এম পি ওইনা চৎহন্নবা পূম্নমক্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী), ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম) অমসুং নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী লুচিংবশিং অমসুং মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

আর পি আই-অথৱালেগী ওইনাম এ সীদা...

লমায় ১গী মখা... লৈঙাক অসিনা ইচিল ইনাওশিংবু কনবীরোই। মখোয়দি মীয়াম্না কনগদৌরিবনি হায়খি।

হৌজিক লৈঙাক্না পিছ টোক তৌনরিবনি হায়বশিং অমসুং খুল ঙাকপশিং ফাগৎলক্লি। লৈঙাক্না মথৌ তৌদবদগী অমদি লৈরিবা পুলিস অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপী শেনবীবা ঙম্লক্তবদগী থোক্লকখিবা ময়াম অসিদা লৈঙাকসিনা ওনশিল্লগা ফাগে-পুনগে তৌরকপদা মীয়াম্না তূমিন্না লৈবীগনু। ঙসি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক মীয়াম ঙাক শেন্নবা খূৎলায় পায়দুনা চোংথোরকখিবশিংদা ঐনা কনবীগনি, ঐখোয়না হায়বা য়াউ হায়বা পোলিটিসিয়ন থোক্লকপা য়াই। অদুবু মখোয়বু তশেংনা কনবীগদবদি মীয়াম্ননি। ঐ ইশানা এম পি ওইরক্লবসু মখোয়বু ফাবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও লাউদুনা লৈঙাক্লা মথৌ তৌদবদগী মখোয় থোক্লকখিবনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙহনগনি হায়খি।

প্রোফেসর বিমোল অকোইজমনা মখা তানা হায়, হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদি অনৌবা মণিপুর অমা শেম্নবগীদমক ঐখোয় ময়াম চঙদুনা মমায় চুমহৌগদবনি। মীখলদা শেল য়েন্দুনা অমসুং নম্ফু-হাফুন্দা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা তৌরকপশিং লৈকায় লৈকায়গী ইচিল ইনাও অমসুং ইমা ইবেলশিংনা থিংবীয়ু। ঐখোয়গী লাইবক লেপকদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না অমুক্তা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীয়ু। মণিপুরগী অনৌবা মায়ওল অমগীদমক্তা শেম শারক্লিবা অসিদা আই এন দি আই এ ব্লোক্কী নত্তবা পার্টিশিংগী মেম্বর কয়াসু মরৈবাক নুংশিবনা মরম ওইরগা ঐখোয়বু শৌগৎপীরকপা য়াওরি হায়খি।

কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলক্লবা আর পি আই - অথৱালেগী কেন্দিদেট ওইরম্বা মীওই অমা য়াওনা অতৈ মীওইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদুদা সী এল পিগী লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়, হৌজিক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অমসুং এন বিরেননা লুচিংদুনা ষ্টেটতা লৈরিবা লৈঙাকসিনা লৈঙাকপা হৈত্রগা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন থুম ঙাক শেনবা ঙমদ্রগা হান্না লৈঙাক পায়রম্বশিংদা তাইনবা লেপত্রি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি চহী ১০ মপূং ফারে। অদুগা ষ্টেটতনা চহী ৭ মপূং ফারে। অদুবু মখোয়না চাওখৎ থৌরাংগী অনৌবা প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা ঙমদবগী মথক্তা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা পায়খৎলম্বা লোইগদৌরবা প্রোজেক্টশিং ফাওবা লোইশিন্দুনা শঙ্গাবা ঙমদ্রি।

কুমজা ২০০৬তা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা উরেপ তমদুনা জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন কুমজা ২০১৭ ফাওবদা চাদা ৭০গী থবক লোইশিল্লন্নবসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মঙম শালহনবা ঙমদ্রি। কোংগ্রেসকী মতমদা হৌরল্লবা বোর্দর ফেন্সিংগী থবকসু ঙরাং নহান্তা কিলোমিটর ১০ খক্তমক লোইশিনবদা ঙাইরি। কিলোমিটর ১০ খক শম্বল খাবদা চহী ৭ চঙলবদি কিলোমিটর ৪০০ মুক শাংবা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী বোর্দর শম্বল খাবদা চহী কয়া চঙগদৌরিবনো হংখি।

বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়াম খাং মথক্তা ঙৌরগা থল্লকপা চহী অমা ফারক্লে। মখোয়না শেল পীরগা মীয়ামগী ভোট লৈবা য়াখ্রবদি মীয়াম মখা তানা ৱাখিগনি হায়খি।

ওক্রম ইবোবীগী হকচাং খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরকখিবা আর পি আই - অথৱালেগী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা ওইনাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইখিবা এদভোকেট লাইতোঞ্জম ব্রোজেননা মহাক্কী ৱার্করশিং অমসুং এন ঐচ পি সী লোক্তাক পৱার ষ্টেসনগী সিক্যুরিটি ওফিসর কে ঐচ শ্যামনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়ারিঙৈদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী ঙাইহাক ৱাখল মাঙদুনা লেকথরকপদগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা পূম্নমক্না মীপাইনরুরে।

থৌদোক অসি ঙসি খঙহৌদনা নুংশা শাগৎলকপা অমসুং কোংগ্রেস ভবনদা মী য়াম্না তিনবদগী ওমচাক্লরক্তুনা হকচাংগী ফীভমদা অকাইবা থোরকপদগী ওইরম্বা য়াই থাজনরি। অদুম ওইনমক ডাক্তরশিংনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম চেক-অপ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক্তি মীপাইনীংঙাই ওইদ্রে হায়না ফোংদোরক্লি।

এরোপ্লেন তাহনগনি হায়খিবা জিরি...

লমায় ১গী মখা... লাকখিবনি। অদুবু মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা কম্পেনি অমদা শিন্নখ্রে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লসু হন্না য়েংদবগী মমি মতম কুইনা শাংনা তারকপদগী হৌজিক্তি হায়ৱে অসিগী অয়াম্বা মফমদা শিং নাল্লবসু মফম খরদদি এরোপ্লেন তাবদি লায়রদনা পোৎ চৈ চিংলকপা ত্রক ফাওবা থৌবা য়াদবদগী পন্দুনা লৈরে।

হায়ৱে পরিং অসিদা তৌসেম পুলিস ষ্টেসনগী নোংপোক লোমদা কিলোমিটর ২২ রোম চৎলগা লৈবা টাৎবুং এরিয়াদা ঙরাং অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদগী হৌনা এন ঐচ আই দি সী এলনা হায়ৱে অসিবু দবল লেন্দ ওইহন্নবা শেমগৎলিবনি হায়দুনা চীং ককথরকপগী লৈখোম লৈনাংনা ত্রক কয়াগী টায়রশিং পুথখিদুনা ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমখিদবনি।

ফীভম অদু ঙসি অয়ুক্তদি খরা ফগৎলক্লব্রা হায়দুনা পাউচে অসিনা পন্দুনা লৈরিবা ত্রকশিংগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংদা হংলুবদা পেসেঞ্জর পুবা মারুটি ভেননচিংবা টেক্সি সর্ভিস তৌবা গাড়ীশিং নত্তনা পোৎ চৈশিং পুশিল্লকপা ত্রকশিংদি ঙরাংগী ফীভমদুদা অদুমক লৈরি। হায়ৱে অসি শেমজিন শাজিনবগী থবক এন ঐচ আই দি সী এলদা শিন্নরে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা কাও থাবদৌনা লৈথোক্লিবা করিগীনো। মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা হায়ৱে ওইরবসু লম্বী অসি মণিপুর মীয়ামগী মরু ওইবা পুকচাক লম্বী অমনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা খঙশিন্নদ্রিবা করিগীনো হায়না লৈনাং মরক্তা পন্দুনা লৈরিবা ত্রকশিংগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংনা পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লি।

মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্নবা...

লমায় ১গী মখা... লোইরে হায়খি।

মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসি অশেংবা য়েলহৌমী ওইজরবসু খরুং মফম চাদবা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইনা লৌদবনা মরম ওইরগা ফংফম থোকপশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী ফংলক্ত্রি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংনবগীদমক কন্সটিট্যুসনেল সেফগার্দ থম্নবা অমসুং মালেমগী লৈমায়দগী মীতৈ খুন্নাই মূৎখিদনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংনি হায়খি।

মরম অসিনা কাঙলূপ ফূরুপকী খেন্নবা থমদনা মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা অসি য়াম্না মরম চাই খনবীদুনা অথুবা মতমদা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু। এস টি দি সী এমনা চহী ১০ হেন্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং শৌগৎপীয়ু। লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীরেপ খুদিংমক্না মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনগদবনি হায়বগী ৱাফম ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা য়াওহনবীয়ু। করিগুম্বা য়াওহল্লক্ত্রবদি মীতৈ/মৈতৈনা অদুগুম্বা কেন্দিদেট অদু শৌগৎফম থোক্তে হায়খি।

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ কাঙলূপ অমগী কন্সটিট্যুসনেল সেফগার্দ ফংজনবা হায়জবদা য়েৎফম থোক্তে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী য়েলহৌমী ওইনা লৈরল্লবসু ঙসিদি য়েলহৌমীগী ফংফম থোকপশিং ফংদ্রি। মরম অসিনা য়েলহৌমী অশেংবনি হায়বগী রেকমেন্দসন থারক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অনীরক হায়রক্লবসু হৌজিক ফাওবা থাদনা লৈরিবসি য়ানীংদে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা এন আর সী ...

লমায় ১গী মখা... চৎনহন্নবা প্রোসেস তৌবা হৌরে হায়না সী এমনা ঙরাং হায়খ্রবা মতুংদা ঐখোয়না লৈঙাক্কী মরু ওইবা ৱেবসাইট অমদি ইনফোর্মেসন সর্ভিসেসশিংদা য়েংলুবদদি করিসু থেংনদে। এন আর সী চৎনহন্নবা করি প্রোসেস লৌখৎলিবনো হায়বদু মীয়ামদা চমম্নবা অমা পোক্লিবা অসি কোক্নবা লৈঙাক্লা শেংদোকপীয়ু। কুমজা ২০০৩দা সিটিজেনশিপ এক্ট, ১৯৫৫ এম্মেন্দ তৌদুনা এন আর সী পুথোরকখিবদগী হৌনা মসিবু কোংগ্রেসনা শৌগৎতুনা লাক্লি। সিটিজেনশিপ এম্মেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯গী মতুংইন্না মুসলিম মীয়ামদা সেক্যুলরিজমগী ওইবা শীংনবা লাকপা য়াই হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোংদোকপা লৈখ্রবসু লৈবাকসিদা এন আর সী চৎনহনবদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী অথিংবা পীখিদে। অদুবু মণিপুরদা অসুক লুখ্রবা ঈরাং অমা থোক্লিঙৈদা এন আর সী চৎনহন্নবা মীয়ামগী খোল্লাও লাউরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মসিবু চৎনহন্নবা প্রোসেস হৌরে হায়রগা ৱেবসাইট অমসুং মরী লৈনবা চে-চাংগী মমি অমত্তা তাদনা মীয়াম্বু অমম্বদা থম্বীবা অসিনা তাকপদি চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ভোট খোম্নবা খক হায়খিবা ওইরমগদ্রা চিংনরে হায়খি।

এন আর সী চৎনহন্নবা থবক লৌখৎলগনি হায়রবদি হৌখিবা এসেমব্লি মীফমদসু মসিগী মতাংদা ৱাহৈ খরদং ওইরবসু পুথোকফম থোকই। মীয়াম্বু অমম্বদা থল্লগা এন আর সী চৎনহন্নবা প্রোসেস হৌরে হায়বসি বি জে পিনা ক্রেদিট লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা কেম্প্যেনগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা হোৎনবা থৌশিল ওইরল্লে। করিগুম্বা প্রোসেস হৌবা তারবসু খঙড্রিবা মীয়ামদা মরী লৈনবা চে চাং পুথোকপীদুনা থৌদাং লৈবা লৈঙাক অমগী শক্তম উৎপীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইন চার্জ ভক্ত চরন দাসনা মণিপুরগী ঈরাংগী মতাংদা থমখিবা ৱারোল অদু মহাক মশা মতোমতগী ওইবা ৱাফমনি। ৱাফম অসি কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীসু খুদক্তা য়ানীংদবা উৎতুনা লাক্লিবনি। মসিগী মতাংদা হঞ্জিন হঞ্জিন অৱাই অখুম তৌবীরক্কনু হায়খি।

নম্বোল খাথোং অৱাংদগী নুপী অমনা হায় : মতাং চাদবা মীখলনি...

লমায় ১গী মখা... মীরেপ ওইরিবা করিগীনো হংলদুনা ভোট শুংপী পীরোই হায়রকখি। লান অসিনা ঐখোয়দা কয়াম মাঙহল্লবগে হংলদুনা ইচা-ইশু ময়াম অমা নীংথিজনা লাইরিক তম্বা ফংবা নৎত্রি। ইচা ময়াম অমনা থৱায়না পোম্বা পীখ্রে। মখোয় অমুক হল্লকউ য়াখিগদ্রা হংলদুনা হৌজিক শেন্মীৎলোন্দা কয়াম য়াম্না শোকচিল্লবগে হংলকখি।

য়োল্লিবা ঙাশিং নীংথিনা শিৎত্রে। মসিদা লান অসি হান্না লোইশিনবীদনা ইলেক্সন পাঙথোকপগী করি ৱাহন্থোক্নো হংলকখি। লান অসি হান্না লোইশিনবীরগা মীখল তৌসি। মতমদুদা মাঙ থারগা ইলেক্সনগী কেম্প্যেন চৎকে। অদুদি নত্তনা ভোট তৌশিল্লগা হৌজিক লান লেপহনবগুম তৌরিবসিনা লান অসিগী চুক্লি অসি কন্নানা পায় হায়বদু তাকথোকচরে। মরম অসিনা কনামত্তনা ঐঙোন্দা ভোট খোন্বীরক্নু, ঐনসু খোমজরোই অদুবু ইশাগী ভোটিং রাইটতি মাঙহল্লোই, নোটাদা ওইনা নম্নবসু নমগনি। লান অসিদা ভোটর কয়া থৱায় মাঙখ্রবগে হংলদুনা লান অসিগী ৱারোইশিনদি লৈতনা ভোট তৌশিল্লকপসিদি মরম চাদে। লাননা হান্না তৌবনি, ইলেক্সন পাঙথোকপগী থৌরাংনা কোন্না লৌখৎলকপনি। মরম অদুনা হান্না থোকপা লান অসিগী হান্না ৱারোইশিন লাক্নবা শিনবীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

লাংপোক মনীং লৈকায়দগী ঙাঙোম হেরোজিৎ :

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী ইন্নরদা মীরেপ ওইরিবা থৌনাওজম বসন্তকুমারগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইরিবা নম্বোলগী মনুং চনবা লাংপোক মনীং লৈকায়দগী ঙাঙোম হেরোজিৎনা পাউচে অসিদা হায়, লান মনুংসিদা মীখল তৌশিল্লকপসিদি হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংলকপনি হায়না লৌই। অদুবু ইলেক্সন অসি পাঙথোক্কদৌরবনিনা ভোটিং রাইটতি মাঙহল্লোই। মণিপুরগী ফনবা তৌরক্কদবা মীদা থাদগনি অদুবু মমাঙদসু থাগৎখ্রগা তূমিন-তূমিন লৈখিবসিদা থাজবা অমত্তা উদ্রে। কেন্দিদেট খুদিংমক ইমান মান্নবগুম তৌরে হায়রকখি।

ককয়াই মখা লৈকায়দগী ৱাহেংবম ইবেম্মা :

নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ককয়াই মখা লৈকায়দগী ৱাহেংবম ইবেম্মনা পাউচে অসিদা হায়, হন্দক পাওথোক্কদৌরিবা মীখল অসি মণিপুরগী ওইনদি মতম চাদে। হৌজিক ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকখ্রবা মীওই ময়াম অমা রিলিফ কেম্পশিংদা নীংঙমদনা মীৎলু পিরাং কংঙমদনা লেল্লি। মরল-মথুম তুম্না মাঙখ্রবা ঙাক্তনি। অমুক তাল্লুবদা শিবনা হাল্লগদবা লন-থুম মাঙনখ্রে। ফীভম অসিদা তং তাবা অমা লৈত্রিঙৈদা ইলেক্সন পাওথোক্কদৌরিবা অসি মতাং চাদে অদুবু পাওথোল্লগদবনিনা ভোটতি থাদগনি, ভোটিং রাইট মাঙহল্লোই। ইশাগী অপান্বা কেন্দিদেটতা ভোট পীগনি। মীনা ইনশিল্লগা থাদরোই হায়বগা লোয়ননা গ্রুপ-গ্রুপ পুল্লগা কেম্প্যেননচিংবা চৎপদি য়ারোই, মতাং চাদ্রি হায়রকখি।

নম্বোল সাবল লৈকায়দগী সাইখোম ইরাবোত :

নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা নম্বোল সাবল লৈকায়দগী সাইখোম ইরাবোতনা হায়, ইলেক্সন অসি মতম চাদ্রগসু য়াওহৌদবদি য়াদে। মরমদি লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইনা ইলেক্সনদি শরুক য়াফম থোকই। মরমদি মসিনা ঐখোয়গী মীহুৎ খনবগী চপ চাবা মতমনি। মীহুৎ অমা ফৎত্রে, শিন্দোক্কে হায়রবদি ইলেক্সন তৌদুনা ভোট থাদরগা শিনগদবা মরম্না ইলেক্সন তৌবা মতম চপ চারে। মীহুৎ খলহৌগদবনি হায়রকখি।

অদুগা মহাক্কী অপান্বা কেন্দিদেটতা ভোট থাদগনি হায়রদুনা মীনা ইনশিল্লকপা মীরেপ্তা ভোট থাদরোই, মীনা হায়রগা চৎলোই, শেলদসু চৎলোই। হন্দক্তি চপ চাবা অচুম্বা অশেংবদু খঙগনি। কনাগুম্বশিংনা ইলেক্সন মতম চাদে হায়না খনবসু য়াওই অদুবু মতম চপ চাই। ঐখোয়না ঐখোয়গী অফবা মতিক চাবা মীহুৎ খলহৌদ্রবদি মীতৈশিংগী তুংগী লম্বেলদা হেন্না অৱাবা তাগনি। মতম চপ চাই, অফবা মীহুৎ, পার্লিয়ামেন্টতা তূমদুনা লৈগদবা নত্তবা মণিপুরগীদমক্তা, লাউবা খোংবা ঙমগদবা মীহুৎ খলহৌসি। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং নুংঙাইনা লৈবা নত্তে। মমিৎতগী মপি কংদনা লৈরিবনি। হৌজিক মখোয়না লম্বীদগী দোনেসন তৌজরিবা/চৎলিবা অসি তৌনীংদুনা তৌবা নত্তে, পাম্বে লৈতবগীনি। অঙম্বা মতেং তৌনসি। মখোয়না ওইরিবা পূন্সিগী তেকচাক কনানা পুবীগনি হংলদুনা চপ চাবা মীহুৎ খলহৌবগী মতম ওইরে অমসুং ইলেক্সন অসি মতম চারে হায়রকখি।

নম্বোল কৈথেলদা ঙা য়োনবী মাইবম চীংদগী মাইবম সনাহনবী :

নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবী মাইবম সনাহনবীনা হায়, মীখল অসি পাঙথোক্কদৌরবনিনা শরুক য়ারগনি, ভোট থাদগনি। অদুবু শক-মায় য়েংলোই। মণিপুরগী লৈরিবা ইস্যুশিংদা য়েংবীগদবা কেন্দিদেটতা ভোট থাদগনি। অদুগা মীনা ইনশিল্লগা ভোট থাদরোই। ইশাগী অপান্বদা ভোট থাদগনি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ময়ামসিগীসু খনবদা য়াম্না নুংঙাইতে।

ঙায়োনবী অচৌবী :

নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মাইবম চীংদগী মাইবম সনাহনবীগা থংননা ঙা য়োনমীন্নরম্বী নম্বোল খাথোংদগী অচৌবীনা হায়, মীয়াম্না য়াবা কেন্দিদেটতা ভোট থাদগনি। তৌবতবু ইশাগী অপান্বা, লৈবাক কনগদবা কেন্দিদেটতা ভোট থাদগনি। শেল য়েল্লক্লবসু লৌরোই। শেলনসু হন্দক্তি য়াগদবা মান্দ্রে। ইচাগুম্বা, ইমাগুম্বা অমসুং ইপাগুম্বা ময়াম অমনা থৱায় থাখ্রিবা অসি অরেম্বা নত্তে। থৱায়শিং অদুনা পেনগদবা, অফবা থবক তৌরক্কদবা কেন্দিদেটতা ভোট পীগনি হায়রকখি।

নম্বোল খাথোংদগী অবেম :

নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা নম্বোল খাথোংদগী অবেমনা হায়, ভোট অসি কনামত্তদা থাদররোই হায়না খল্লম্বনি অদুবু ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা কেন্দিদেট ৬ অসিগী মরক্তগী লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগদবা কেন্দিদেটতা ভোট পীরগনি। হৌজিক ঐখোয়গী ৱাখলদা ভোট চঙদে। মৈরা পায়বী থোকপা লেপত্রি। খুল ঙাক্লিবা ইচাশিংগী মতেং পাংবা লেপত্রি। মরম অসিনা ইলেক্সনগীদমক মখল অমত্তগী লাঙবা য়াওরোই। চপ চাবা অফবা মীহুৎ খল্লগা ইশানা অপাম্বদা থাদগনি হায়রকখি।

ꯌꯣꯡꯉꯔꯤ / য়োঞ্জরি

পৌরাবী স্কুলগী অৱাং থংবদা লৈবা কোইলাস লম্বীগা তাইনবা অসিদা লৌ শঙম (৬৫.৩) খরা হেনবা লৌফম অমা অচিনবা অমগীদমক অথুবদা য়োঞ্জরি। অপাম্বা মীওইনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদগী পাউ লৌবীয়ু।

HL-P/10016/5
Contact No. 6009103381

[illegible] / Wallet Lost

I have lost my Wallet containing ATM card of SBI Thoubal Branch, PAN card, Aadhar card, Hakchel card, Shop card of Chandel Japhou Bazar and Smart card of Astar Car bearing Registration No. MN06LB-9891 issued by DTO Imphal East on the way from my Residence to Khangabok Maishnam Leikai Part II on 3/4/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Moirangthem Sanamacha Singh
Khangabok Khullakpam Leikai.

HL-P/10369/5

TEACHERS WANTED
Ai Eduvillage
Ningombam Road, Aiport Mamang Imphal

S. N.	Job Position	Qualification
1	Home Sc. Lect.	M.Sc.
2	Physical Edn. Lect	M.P Ed..
3	Maths Lect .	M.Sc.
4	Chemistry Edn.Lect	M.Sc.
5	Physics Lect.	M. Sc.
6	Office Driver	Valid Lic. Holdr
7	Security cum Office Asst.	
8	English Lect.	M.A

Interested candidate may walk-in for job-interview with your latest resume on the 7th (sunday) and 13st April. 2024 at 10 am
Contact: 9862492127/6009177752

HL-P/10370/5